## ৱাকৎ মীফমগী...

*লামায় ১গী মখা...* শরুক অমনি হায়বদা হায়মনবা ওইরোই হায়খি।

চীফমিনিষ্টরবদা রিপ্রাজেন্টেসন অমত্তা সবমিট তৌরমদ্রে হায়বসি ৱাখলনা শাবা খঙদনা পংহায় হায়বনি। ইকুই কুইদ্রিঙৈ কুমজা ২০২২গী মীখলগী কোদ ওফ কন্দক্ট লাক্লিঙৈ দিসেম্বর ৩০, ২০২১দা মথৌ তাবা রেকমেন্দেসন থাবীয়ু হায়না অহৈবা চেরোল পীশিনখি। মসিগী মথক্তা প্রাইম মিনিষ্টরনা মণিপুরদা লাক্লম্বা জন্যুৱারী ৪, ২০২২দা চীফ সেক্রেটরিগী খূথাংদা অহৈবা চেরোল অমসু পীশিল্লগা মদুগী কোপি অমসু চীফ মিনিষ্টরদা পীখি হায়রি। কম্মিটিনা কনভেন্সন/মীটিং/রেল্লিনচিংবা খোঙজংশিং পাঙথোক্লম্মদাইদা অখন্নবা মীওইশিংদগী শেলগী মতেং লৌই। লোয়ননা মীওই কয়া অমনা ইস্যু অসি চুম্মী হায়দুনা ওফিসতা লাকপীদুনা শেলগী মতেং পীবিরবা নত্তনা পাত্তক্লমা মতম পূম্বদা মীয়ামদগী শেলগী মতেং নীদে হায়খি।

মসিগী মথক্তা শেল ৱাংলকপদা এগজিক্যুটিভ কম্মিটিগী মেম্বরশিংগী মরক্তগী খুদক্কী অঙম অঙম্বা শেল পুথোক্লদুনা/খায়গৎনদুনা শীজিন্নবসু লৈখ্রবনি। মরম অসিনা শেল লান্না শীজিন্নৈ হায়বা ৱাখল্লোন অসি অরানবা ৱাখলনা শারগা পংহায় হায়বনি, লন্নাই পেন্দবা লৈরগা হায়বনি। কনাগুম্বনা ফন্দগী মতাংদা অকুপ্পা খঙবীনীংবা লৈরবসু ওফিসতা লাকপীরগা য়েংমিন্নবা য়াই হায়খি। হন্দক্কী লৈঙাক অসি লৈরক্লবা মতুং কর্সি কোল তৌজগে পার্মিসন পীবিয়ু হায়না এস টি দি সী এমনা এপ্রিল ৭, ২০২২দা চীফ মিনিষ্টরগী সেক্রেটরিগী খূথাংদা চে অমা পীশিনখি। মসিগী মতুং জুন ৯, ২০২২গী নুংথিলদা কম্মিটিগী মীহুৎশিংগা সী এমগা মহাক্কী ওফিসতা উনখি। উনবা অদুদা কৈরাওগী এম এল এনসু মতেং পাংবীখি অমসুং উনবদা য়াওবীখি হায়নসু ফোঙদোকখি।

ঈং-অশাগী পাউ

খ্বাইদগী শাবা ৩৪.৪১°C
খ্বাইদগী ঈংবা ১৬.৩৯°C

মণিপুরগী নোংজুগী চাং : ২.৪
নুমিৎ থোকপা : অয়ুক পুং ৪.৫৯
নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৫.২৩

**FOREX (INDIA RUPEES)**

| FOREX NAME | INDIAN RUPEE |
|---|---|
| Euro | 80.403584 |
| US Dollar | 79.666784 |
| British Pound | 92.374157 |
| Australian Dollar | 54.502109 |
| Chinese Yuan Renminbi | 11.504540 |
| Japanese Yen | 0.558854 |
| Malaysian Ringgit | 17.749803 |
| Singapore Dollar | 56.919623 |
| South Korean Won | 0.057751 |
| Saudi Arabian Riyal | 21.244476 |
| Thai Baht | 2.191805 |

**GAS NEWS**

**KHORIPHABA NAMBOL**
**Bk.upto date**
Timing 6.30am to 10 am
Cont.no 8787632782, 6009194940
**Imphal LPG service**
(Home Delivery only)
**Booking- Upto date .**
New Contact Office No. 6009392991, 9362654114, 03853560556.
Time 8:30 to 12:30 .
Those who haven't received send to whatsApp no.9863624773 their form no1.also available 19kg and 5kg. please don't use other numbers except the notified one. Those Deactivated one submit Aadhar and KYC form for activation.In view of covid19 and curfew booking can be made through IOCL
1. For whtsapp booking type <REFILL#>LPG ID NO. e.g. start from 70000000xxxxx xxx 16 digital. Send to 7588888824.
2.For onlidistributorsne payment use<Indane Oil One app>
It's applicable for all of IOCL. Encourage online payment. Please prepare document i.e. Aadhar accompanied with phone no.and voter ID for Ujjwala connection.Contact Imphal LPG office for ujjawala connection.
**M/S K&K INDANE SERVICE,**
Home delivery only
**BOOKING UPTO DATE**
20 days gap from last delivery
Call Timing: 8am To 12noon
*URIPOK, THANGMEIBAND, LANGOL-9362663937.
*SAGOLBAND TERA & SURROUNDING
9366727636, 9863654574, 9774213728, 9089519886.
TIDDIM LINE & MAYAI LAMBI-9362663937/9774213728
*TAKYEL LANGJING, PATSOI AREA/ 9862239855 / 8258856407 *KONTHOUJAM A/c 9863201839, LAMSHANG A/C - 9612493837
**CANCHI INDANE SERVICE**
**BOOKING UPTO 07/09/2022**
VALID FROM NIL
14kg,19kg & 5kg UJJAWALA AVAILABLE
HOME DELIVERY ONLY
DELIVERY WITHIN 4 DAY
KWAKEITHEL 6009600531
NAOREM LEIKAI 9863763938 & 7005352782
CONTACT TIMING 08.00 to 10.00am
**KHUMBONG INDANE**
**BOOKING UPTO 20-08-22**
Only home delivery within 4 days
Office no.9774068549
Whatsapp no.9366981788
Time 7.30am to 10.30am

# মৈতৈ ঐখোয়গীদি ‘লাংপন’ অসি য়াম্না হকপা অহিংবা থানি : পন্থৌ

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১০ (ঐচএনএস): মালেম লৈশেমলোন্দা মুৎনাইরক্লিবা, নমশিল্লগা থম্বসু য়াররোইদবা মৈতৈ ঐখোয়গী নুমিৎ, থবানশিং অসি অহিংবা থাগী খোঙচৎনি। লাংপন হায়বসি মৈতৈগীদি য়াম্না হকপা অমসুং অহিংবা থানি হায়না নোপোক চীংঙুথোং মৈতৈ লাইকোল থলো সিপি লোক সেলোই লংমাই চীং, ইম্ফাল নোংপোক্তা লৈরিবা লাই ওইবা পন্থৌনা ফোঙদোকখ্রে।

নুমিৎ ৭নিগী খোঙচৎনা পুরিবা থা ১২গী মনুংদা মেরা থাসু মৈতৈগী নুংঙাই য়াইফবা, পোকপা/হিংবা অহুমসিগী মনুংদা নুংঙাই য়াইফবগী মহয় য়াল্লি হায়রি।

খুন্থোকলোনগী মশকসু খঙবা ঙম্মী। লাংপন থা হায়বসি মৈতৈ ঐখোয়গী য়াম্না হকপা, অহিংবগা-অশিবগা য়াম্না নকশিন্নদুনা লৈবা, চামিন-থকমিন্নদুনা লৈবা মরু ওইবা থা ওইরক্লি। মৈতৈ ঐখোয়গী কাউখ্রবা অশিবগী থৱায়শিংবু অহিংবা অমা ওইনা ঈরাৎতুনা কৎচবা, অহিংবগা পাঙ্খক ওইনা হৈ-লৈ কৎচবা থানি। ফুরুপ অমা ওইনা হিংলিবনিনা ঈশাগী ফুরুপকী চৎনবী অমসুং লৈবাক্কী মশক তাক্কদবনি।

খুন্থোকলোনগী মশকসু খঙবা ঙমহল্লি। ফুরুপ অমা ওইনা হিংলিবনিনা লৈখিদ্রবা থৱায়শিং অশিবগী মনুংদা চনখ্রবশিংনা মহাক মহাক্কী ইমুং মনুং, মচা মশু কৈদৌঙৈদসু কাউরল্লোই। অহিংবা ঐখোয়নসু কাউথোকপা ঙমদে। লৈখিদ্রবা অশিবা থৱায়শিংগী মফমদা লাংপন থানিল থা মবুক মনুংদা অহল লমন, ইচিল ইনাও, মরী মতা, ইশুং ইমান্নবা-ইমান্নবী পুম্নমক্কী থৱায়শিংদা লাংপন লুকলেন, হৈ-লৈ কৎমিন্নসি। লাংপন লুকলেন মৈতৈগী থানি। মৈতৈগী থবাননি হায়বা ঙম্মী। লাইরমলেনগা মীরমলেনগা খুনি দন্নবা, পাউশানবা অমসুং অশিবগা-অহিংবগা নুংশিনবা থা ওইরিবা মৈতৈ ঐখোয়গী নুংশি থানি।

মীওইবা ঐখোয়গী হৌরকফমসু ওইবা ইবুধৌ-ইবেনধৌদসু কৎলসি। সলাই তরেৎকী হৌরকফমসু ইবুধৌ ইবেনধৌনি। ঐখোয়না কৎচরিবা হৈ-লৈশিং অদুসু কংফালদা লৈরবদি খোঙনা শোক্কনি। মসিগী মহুত্তা ৱাংবরেলদা কৎলসি। লাংপনগী হৈ-লৈ, লুকলেন কৎপনা অমম্বা নুমিৎতগী অঙানবা উবগা পাঙ্খকনি। লাংপন থা অসি মৈতৈ ঐখোয়গীদি ইপা ইপুদা হৈ-লৈ কৎপা ইপা ইপুগী খোন্থোকনি। ঐখোয়গী চৎনবীসি ঐখোয়না য়োকখৎলসি। অরৈবনা লৈনা হোঙনা-চাওনা কৎচরগসু লৈজ দবশিংগীনা অঙম্বা অরৈবদা পীক্লা কৎলসি। তৌবদবু কৎপদি কৎলসি।

লৈখিদ্রবা পুম্নমকসি ঐগী খঙন-চান্নবা ঙাক্তনি। ইপা ইপুনা থল্লম্বা সলাইচা ঙাক্তনি। মৈতৈ ঐখোয়গী লৈবাকনি-লমদমনি। লৈখিদ্রবা থৱায়শিং অদুনা মীওই মপোক্তা, শাগৈ সলাইদা হল্লক্লুনা পোকপা, অমং লাই ওইনা লাইপোক ওইরকপগা লোয়নদুনা হিংবসু-শিবসু থৱায়দি মরূ অচংবা মতম পুম্নমক্ত ওইবা থৱায়নি হায়নসু মখা তাখি।

# ৫০শুবা শুমাং লীলা ফেষ্টিবেল : নুপা লীলাগী ৭নিশুবা নুমীৎতা লমজিংবা আর্টিষ্ট এসোসিএসনগী ‘ঈরৈনুংদা’ উৎখ্রে

নোমিতা খোংবান্তাবম



ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১০ (ঐচএনএস): মণিপুর ষ্টেট কলা একাদেমিনা শীন্দুনা পাঙথোকপা ওল মণিপুর শুমাং লীলা ফেষ্টিবেল, ২০২১-২২গী নুপা লীলা কাঙলুপকী অথোই অহেন তান্নবগী ৭নিশুবা নুমিৎতা লমজিংবা আর্টিষ্ট এসোসিএসনগী ‘ঈরৈনুংদা’ উৎখ্রে।

লীলা অসি অরুনকুমার লাইশ্রমনা ইরগা এল বোইনা তাকপী তন্বীবনি। ঈশৈ ময়েকসু অরুনকুমার লাইশ্রমনা ইবনি অদুগা ম্যুজিক দিরেক্সননা মংলেমনি।

লীলাগী ৱারীদা হেন্থোইবীগা লোয়ন্নগা নুংশি মরী চেৎশিন্নজবা মতৌদা কল্লকচবা, হেন্থোইবীবু পামজবা মরম্না লোয়ন্নবু ফূবদগী লৈখিদে। থৌদোক অসিগী মতুং হেন্থোইবী অঙাওবী ওইরকপদগী কোক্কী লায়না লায়েংদুনা হোস্পিটালদা লৈখি। মহাকপু লায়েংলিবা ডাক্টরবু নুংশিরকখি অমসুং মহাক্কী ওইনীংলকখি। অদুম ওইনমক ডাক্টরগীদি মাগী নুংশিজবী লৈজবনা অনাবা অমগা ডাক্টর অমগা লৈনবা মরীদগী হেন্না অহেনবা মীৎয়েং থমখিদে। অদুবু অনাবা ফহনবা হায়বগী পান্দমদা চঙশিল্লকপনা অনাবা অসি লৈশাবী ওইরবসু মাগী অপান্দবা অপনবা পীদনা মহাকপু ফননবগীদমক হোৎনদুনা লাকখি। ডাক্টর অদু মহাক্কী নুংশিনজবীগা লুহোংলগনি হায়বা তাবদগী হেন্থোইবীগী পুক্নিংদা নুংঙাইতবা অৱাবা কয়া লৈরগসু লাপথোক্তুনা লৈখি। অদুবু লুহোংবা লাকপা নুমিৎতুদা খঙহৌদবা অমদগী অশাওবা পোক্লক্তুনা ডাক্টরগী নুপী অদু গমলানা থোন্দগী লৈখিদে। ডাক্টরনা লায়নাদুগা মরী লৈননা হেন্থোইবীবু ঙাকপীখি। অনাবগা ডাক্টরগা লৈনবা মরীদগী হেন্না লৈনদবা মরম্না হেন্থোইবীবুদি মহাক্না পুন্সিগী খোঙলোই ওইনা লৌশিনখিদবা উৎথোকপা লীলানি।

কোক্কী লায়না নারবী লৈশাবী অমা লায়েংলুবদগী ডাক্টরনা অঙাওবগুম্না পুন্সি লেনখিবা অমসুং মহাক্কী নীংঙমদবগী চৈনাশিং উৎলি। অমরোমদনা ফত্তবা মীনা মীওইবগী পুন্সি কয়াদা চৈথেং পীবা কয়াবুসু লীলা অসিনা উৎলি।

নুপাগী শক্তম লাংখিবশিংদা ডা. পারিদা দেব, মঙালদা তোঞ্জম হেমলেট, হেনবদা সরকর, লোয়ন্নদা ভেনস, ঙম্বদা হেপি রাজেন, নোংলৈদা প্রেমজিৎ ৱাঙু অমসুং নহা অমগী শক্তমদা মোমোতোননি।

নুপীগী শক্তম লাংখিবশিংদা লৈমদা এল বোই, হেন্থোইবীদা কে ঐচ অঙাংচা, থবাদা রোহিৎ অমসুং লাইস্নাদা কৃষ্ণনান্দনি।

এন জি নবকান্তনা নুপী খোঞ্জেল শৈশক্লগা দিয়া করাম্না নুপা খোঞ্জেল শৈশকখি। তবলাদা রোসন, গিটরদা লোকেন্দ্রো, বাঁসিদা টিকেন্দ্র, কি বোর্দতা মংলেম, পেদ দ্রমদা কিংনি।

হয়েং নুপা শুমাং লীলাগী অথোই অহেন তান্নবগী ৮নি চনবা নুমিৎতা শঙাই আর্টিষ্ট এসোসিএসনগী ‘লাক্লরোই অমুক য়েন্নিংথা’ উৎকনি।

# অনৌবা মণিপুর শেম্লগনি, নোং য়ুবা য়ূম লৈহল্লরোই ...

*লামায় ১গী মখা...* শকখঙনরিবা জর্মনি ঙসিদি ইন্দিয়ানা লাল্লগা চৎখ্রে। প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি অরাইবা লিদর নত্তে। ঐখোয় মণিপুরদসু মহাক্কী মতৌ তম্লগা মহাক্কী মতুং ইন্দুনা শেমহৌবা তাবনি হায়খি।

হৌজিক লম্ফেলদা শাগৎলিবা কৈথেল অমসুং ইমা কৈথেল অহুমগী মমাঙদা শাগৎলিবা কৈথেল শাবা লোইগদৌরে। কৈথেলশিং অসি শাবা লোইশিল্লকপগা লম্বী লমজাওগী নাকলদা ইমা ইবেলশিংনা নোংজু নুংশা মরক্তা ৱানা ফন্লিবশিং অসি হোংজিলহল্লগা লেমহৌরিবশিংনা লম্ফেলগী সঙ্কর টোকিজগী মনীংদা লৈরিবা এরিয়াদা অচৌবা কম্যুনিতি মোল অমা শাদুনা ফুরুপ খুদিংগী পূন্না লৈমিন্নবা য়াগদবা মথোল ৩/৪ ৱাংনা শানবা শেন্থং লৈরে হায়খি।

লোয়ননা লম্ফেলপাৎ তেংথোক্লগনি। হান্না একর ৩০০/৪০০ রোমদা মীওই কয়ানা খোপচিল্লগা লৈরম্বশিং লৌথোক্লগা ৱাটর বোদি ওন্থোক্লগনি। উরিপোক, থাংমৈবন্দ ঈশিং চাওররোই অমসুং কাং লৈররোই। থবকশিং অসিগীদমক পাঙথোকখিবা টেন্দর হৌজিক হাংদোক্লগনি। লম্বীনা সুম ৱাংখৎলকপা অদুগা য়ূমনা মখাদা লৈহৌবগী ফীভম লৈররোই। হৌজিক কোয়লাস থাবদসু কোৎথোক্লগা কনক্রিটকী ওইবা লম্বী শেমগদৌরবনি। থবকশিং অসিদা চঙগদবা লুপা ক্রোরশিংনা খুজিং ওইবা শেনফম মরী লৈনবা মিনিষ্ট্রিগী ইকোনোমিক বোর্দনা সেঙ্কসন তৌরক্লগা এসিয়ন বেঙ্কতা লৈরি। প্রাইম মিনিষ্টরগী লমজিং মখাদা য়ূমথোঙ খুদিংদা পাইপ লাইনদা ঈশিং পীনবা থৌরাং তৌরি। থবক অসি হৌজিক চাদা ৮০গী চাংদা লোইশিল্লক্লে হায়খি।

থৌরমগা মরী লৈননা চীফ মিনিষ্টরনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা অনাবশিং মশাগী য়ূমদা কপ্পুনা লৈররোই। শেল লৈতে হায়দুনা নারগা শিবা য়ারোই হায়বা পান্দম অদুদা চীফ মিনিষ্টরগী হকশেলগী তেংবাঙগী থবক লৌখৎলক্লিবনি। তেংবাঙ অসিদা হৌজিক লুপা লাখ ৫ য়ৌরে। মসিগী মথক্তা প্রাইম মিনিষ্টরগী আসমান ভারতনসু লুপা লাখ ৫ পীরিবনি। লোয়ননা বি জে পিনা হায়রিবদি নারক্লগা লায়েংদবা য়ারোই, ঈশিং থক্তবা য়ারোই অমদি য়ূম লৈতবা য়ারোই হায়বসিনি। লোইনমক বি জে পি লৈঙাক্লা মরম চানা পীগনি। মসিদা নত্তনা য়ূমথোঙ খুদিংদা চৎতুনা ডাক্টর/নর্সশিংনা য়ূম লাখ ২.৫ রোম কোনশিনবা ঙম্লে। লৈঙাক্কী রেভন্যু খরা হেনগৎনবা লোনা য়াবা থবক খরা তৌবদা মীয়াম্না শৌগৎপীয়ু। অনৌবা মণিপুর অমা শেম্নবা মীয়ামগা চৎমিন্নবা মথৌ তারে হায়খি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী প্রসিদেন্ট এ শর্দাসু শরুক য়াখিবগা লোয়ননা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেনগী মখাদা লিংলক্লিবা লৈঙাক্লা মীয়ামগীদমক পায়খৎপা চাওখৎ থৌরাংগী থবকশিং নীংশিংদুনা শীংথাখি।

পনবা য়াবদি, জে দি-য়ুদগী চোঙশিল্লকখিবা এম এল এ মঙা অসি দেল্লী মণিপুর ভবনদা লৈবা চীফ মিনিষ্টরগী ওফিসতা হান্ননা তরাম্না ওকখিবগা লোয়ননা পার্টিগী নেসনল প্রসিদেন্ট জে পি নদ্দানসু ওকখ্রবনি।

অমরোমদা, চীফ মিনিষ্টরনা কলাপহারদা ঙসি পাঙথোকখিবা নেসনল হায়ৱে-২গী ইম্ফাল কোহিমা পেকেজ-৪ (বি) অমসুং ইম্ফাল কোহিমা পেকেজ-৫ (এ) শেমগৎ শাগৎনবগী প্রোগ্রাম হৌদোকখিবা থৌরম অমদসু মণিপুর অসি প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী লমজিং মখাদা খূমাঙ য়াঙনা চাওখৎ লম্বীদা চঙশিল্লক্লি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

লৈঙাক্কী মায়কৈদগী তোঙান তোঙানবা সেক্টরশিংদা পায়খৎলক্লিবা চাওখৎ থৌরাংশিং অসি ঐখোয়গী তুংগী মীরোলশিংবু কলহৌনবগীদমক্তনি হায়খি।

থৌরম অদুদা চীফ মিনিষ্টরনা কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টকী এম এল এশিং অমসুং সী এস ওশিংবু হায়ৱে অসিগা মরী লৈনবা লেন্দ কম্পেন্সেসনগী ইস্যু শন্তাইনবা পুরক্লবা হোৎনবদা মখোয়না লৌখিবা থৌদাংশিংগীদমক তৌবীমল খঙবা উৎখি। লোয়ননা হৌজিক্তি মণিপুরদা লৈমিন্নরিবা কাঙলূপ ফুরুপশিং অমগা অমগা ইকায়খুম্নবা উৎনদুনা অমত্তা ওইনা লৈমিন্নবা হৌরক্লে হায়খি।

লৈঙাক্লা পায়খৎলক্লিবা থবক থৌরমশিং অসি ইন্দিয়ন কন্সটিট্যুসননা পীবা কাঙলোনগী মখাদনি হায়রদুনা মসিগী মায়োক্তা লৈবা লোশিং কনাগুম্বা অমত্তদা নমদুনা চৎনহন্নবা হোৎনদে হায়খি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা টেক্সটাইলস, কম্মর্স এন্দ ইন্দষ্ট্রিজ মিনিষ্টর নেমচা কিপগেনসু শরুক য়াখিবগা লোয়ননা চীফ মিনিষ্টরগী হোৎনজমন্দগী মণিপুরগী লম্বীশিংগী ফীভম ফগৎনবগী থবক পায়খৎলকপগীদমক থাগৎপা ফোঙদোকখি। অদুগা নেসনল হায়ৱে অসিমক মণিপুরগী চাওখৎ থৌরাংগী লাইফ লাইন অমা ওইরিবনি হায়রদুনা লম্বী অসিবু ফগৎহনবা মথৌ তারে হায়খি।

লোয়ননা এন ঐচ আই দি সী এলদসু মিনিষ্টরনা লম্বী শেম্বগী থবকশিং মতম চানা লোইশিন্নবা মীয়ামদগী মতেং লৌবগা লোয়ননা লম্বী শেম্বগী থবক পন্থদনা হৌনবা আপীল তৌখি।

থৌরম অদুদা পি দি এগী চ্যেরমেনসু ওইরিবা এম এল এ, এল রামেশ্বর, সাইতুগী এম এল এ হাওখোলেট কিপগেন, এন ঐচ আই দি সী এলগী আর ও-ইম্ফালগী এগজিক্যুটিভ দিরেক্টর দি এস চৌধরি, কাংপোকপীগী দেপ্যুটি কম্মিস্নর কেঙ্গু জুরিংলা অমসুং ওফিসলশিংনা শরুক য়াখি। তুংদা চীফ মিনিষ্টরনা কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টকী থাদৌ ইন-জেনরেল হেদ ক্বার্টরস কমপ্লেক্সতা লৈবা থাদৌ হেরিটেজ ম্যুজিয়মসু হাংদোকখি।

# পু তরেৎতা লাংবন চাকলেন কৎখ্রে



ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১০(ঐচএনএস): লৈবাকমীয়ামগী য়াইফন্নবগীদমক্তা পু ৭কী মফমদা লাংবনগী হৈকৎ লৈকৎ তম্বগা লোয়ননা লাংবন লুকলেন কৎপগী থৌরম লৈবাক মীয়ামগা পূন্না নোংপোক চীংঙু থোং মৈতৈ লাইকোন থলো সিপী লোক সেলোই লংমাই চীং ইম্ফাল নোংপোক্তা পাঙথোকখ্রে।

ইমা লৈশেম ইনাৎ লোয়শঙ অমসুং লমিৎ খোৎচৈকোননা শীন দুনা পাঙথোকখিবা ঙসিগী থৌরম অসিদা মঙাং পুংজাদা হৈকৎ লৈকৎ তম্বগা লোয়ননা অহিংবা অমসুং অশি নোঙ্গারোলগী ৱারী পাথোকখি।

পু ৭তা হৈকৎ লৈকৎ তম্বা অমসুং লুকলেন তম্বগী থৌনি থৌরম লাই ওইবা পন্থৌনা পাংবগা লোয়ননা পাউজেল কয়া পীখি। পু ৭কী মফমদা কৎলিবা অসি সলাই তরেৎকী লৈরিবা ইরৈচাশিংগীদমক্তা থৌদাং লৌজরগা পাংজবা থৌরমনি। থৌরম অসি মৈতৈগী য়ূমথোঙ খুদিংগী য়াইফবা অমসুং শিদ-নাদবা ওইহনবীনবা নীজবনি হায়খি।

মৈতৈগী য়ূমথোঙ শিংনা কৎপা ঙমজদবা কয়াগী শরুক য়াওরগা থৌনিবনি অমসুং কৎচবনি হায়রদুনা লাইনিং হায়বসিগী হৌরকফম ওইরিবা ইনাৎ অসিনা লাইনীংগী মশক তাক্লিবনি। হিংবগী ৱাহন্থোক লৈরমদ্রবা মৈতৈ ফুরুপ অসি খঙদ-উদনা লৈরিবা শেন্বীবা মপু লাই ওইরিবনা থোরক্তুনা খঙহনবীরকখিবনি। সলাই তরেৎকী মৈতৈ ইরৈচাশিং পূনশিন্নদুনা লাইনীং ইনাৎ কনমিন্নসি হায়খি।

পনবা য়াবদি, লাংবন থা হায়বসি অশিবা-অহিংবা পূন্না খুনদিনমিন্নবা থা ওইবনা চাদা-নাওদা ফংজনবা নিজবা থা অমসুনি। মালেম মৈতৈ লমদমগী ওইবদা লাংবন থাগী থানিলদা খঙদনা চৎলন্নবা, উদনা লেল্লন্নবা মৈতৈ ফুরুপনি। মীওইবগী পুন্সিদা করি থৌদাং লৌগদগে হায়বা খঙলমদ্রবসু হৌজিক্তি লাইনা তাকপীরে। ইপু পুরোল তরেৎকী লাংবনগী হৈকৎ লৈকৎপা, লুকলেন কৎপা অসি সলাই তরেৎকী মমোমশিংনা কৎনরিবনি। থানিল মিঙ্গৌনরিবা অসিমক মৈতৈনি। ইনিং তম্না হিংনীংবা ঐখোয়না লাইনীংবু মীখা পোলহল্লোইদবনি হায়নসু পন্থৌনা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা ঐখোয়গী থৌশিল থৌদাং ওইগদবনি। য়ূম্বান পুন্সিদদি খোঙদারগা মমা মপাগী মীংথোল ফংদবশিংনা ফংজনবগীদমক্তা লাংবন থাদা নিজহৌদুনা মমা মপাগী মীংথোল ফংলসি হায়খি।

# মতম কুইরবগী তুংদা কোভিদকী ...

*লামায় ১গী মখা...* সেম্পল ১৮৭ টেষ্ট তৌখিবদা অনৌবা পোজিটিভ কেস অমত্তা থেংনদ্রে হায়রি।

টেষ্ট তৌখিবা সেম্পলশিং অদুদি বিষ্ণুপুর ২, চুড়াচান্দপুর ১, ইম্ফাল ইষ্ট ১৯, ইম্ফাল ৱেষ্ট ১৯, জিরিবাম ৭৪, ককচীং ৭, কাংপোকপী ৫, ফেরজোল ২৪, সেনাপতি ৭, তমেংলোং ৩, তেংনৌপল ১, থৌবাল ১১ অমসুং উখ্রুলদগী ১৪নি। অদুগা হৌখিবা পুং ২৪গী মনুংদা সেম্পল অমত্তা টেষ্ট তৌখিদবা দিষ্ট্রিক্টশিংনা চান্দেল, কামজোং অমসুং নেনেনি হায়রি।

চৎলিবা থা অসি হৌগৎলকপদগী নুংতিগী থেংনবা পোজিটিভ কেসশিংগী মশীং তপ্না তপ্না হন্থরকখিবগা লোয়ননা হেল্থ দিপার্টমেন্টকী ঙরাংগী রিপোর্টতা অপূনবা সেম্পল ৩৮৬ টেষ্ট তৌবগী মনুংদা পোজিটিভ কেস ৩ খক্তমক থেংনরগা পোজিটিভিটিগী চাংনা চাদা ০.৮দা লৈখিবনি। অদুবু ঙসিগী রিপোর্ট অসিদদি অনৌবা পোজিটিভ কেস অমত্তা থেংনখিদবনি।

অদুম ওইনমক লায়না অসিনা ষ্টেট অসিদা য়ৌরকখিবদগী হৌজিক ফাওবদা টেষ্ট তৌখিবা অপূনবা সেম্পল মশীং ১৬,৫১,৪২৪ শুরে। অদুগা ঙরাং ফাওবদা লৈখিবা অপূনবা পোজিটিভ কেসশিংগী মশীংনা ১,৩৯,৭৫৫ শুরে। লোয়ননা লায়না অসিনা মরম ওইদুনা লৈখিদবা অপূনবা মীওইশিংগী মশীংনা ২,১৪৮ শুরে হায়রি।

ঙসিগী ওইনা অনৌবা পোজিটিভ কেস অমত্তা থেংনখিদ্রবসু লায়না অসিদগী নাবা ফগৎলকপগী চাংনা চাদা ৯৮.৪৪দা লৈরি। অদুগা হেল্থ ফেসিলিটিশিংদা ফংহনবা ওক্সিজেন সিলিন্দরশিংগী মশীংনা দি টাইপ ৯৯ অমসুং বি টাইপ ১২নি। লোয়ননা ঙরাং খক্তদা কোভিদ ভেক্সিন ২৯২০ কাপথোকখিবা থারগা হৌজিক ফাওবদা ভেক্সিনগী দোজ কাপথোকখিবা অপূনবা মশীং ৩২,০৪,১০২ শুরে। মসিগী মনুংদা অহানবা দোজনা ১৬,৩৭,০১৫নি অদুগা অনীশুবা দোজনা ১৩,১৩,৪০৯নি অমসুং কাপথোকখ্রবা প্রিকোস্নরি দোজশিংগী অপূনবা মশীংনা ২,৫৩,৬৭৮নি হায়রি।

# দ্রগ শুংবা, য়োনবা-লৈবা, পুশিল্লকপদা চেন্নবা কিং...

*লামায় ১গী মখা...*এক্ট (এন দি এন্দ পি এস) এক্ট ২০২০ অনী অসিগী মখাদা থেংনবা লাননি। এন্টি দ্রগ ৱার নত্তে হায়বদি দ্রগ পোলিসি অমা শেম্লগা থেংনবা লান নত্তে। মণিপুরগী দ্রগস দিপার্টমেন্ট লিংদ্রি, মণিপুর বডজেটতা তোঙান্না হাপ্তে, স্পেসল দ্রগ স্কৱাদ শেমদ্রি, খ্বাইদগী ফবা মখলগী গাড়ী, খূৎশু-খূৎলায় অমসুং ট্রেনিংনচিংবসু পীবা লৈত্রি, লানগী থৌরাং লৈত্রি, লান কৌবা য়াদ্রি, শিবগী চৈরাক পীবগী লো শেমদ্রি, মসিবু ৱার নো দ্রগ হায়বা য়াদ্রা? হায়বা য়াই দ্রগ পোলিসি, দ্রগ শীজিন্নগনু হায়বগী কেম্পেন লৈকায় নৎত্রগা খুন খুদিং থুংনা পাঙথোকপা ঙমদ্রি। পোষ্টর কেম্পেন ইমুং খুদিং য়ৌদ্রি। ক্বা, খৈনি, তলপ, সিগরেট, গঞ্জা, য়ু, কানি, এস পি টেব্লেট, দল্লিয়ু ৱাই, কোদিন, ইফিরিন অসিনচিংবা অসি দ্রগকী শাগৈ ঙাক্তনি। মরম অদুনা মখোয়শিং অসি পোলিটিক্স, রিলিজন, কলচর, সোসল নৎত্রগা চাকচা হৈজানবদা শীজিন্নহল্লোইদবনি। অদুবু মরাং কায়না শীজিন্নরি। শীজিন্নরিবা মী অয়াম্বগী পূক্নিং ৱাখল হকচাং অনীমক শোন্থহল্লিবনি, ৱাখল লৈতাহন্দ্রিবনি।

অসিনচিংবা লান অসি পোলিসি অমগী মখাদা থেংনবা লান ওইরবদি দ্রগ লল্লোনবদা শীজিন্নরিবা গাড়ী, মী অমদি অতৈ অরোনবা অথুপ্পশিং মশক য়াম্না লায়না খঙবা ঙমগনি, চেন্নরিবশিং পুথোকপা ঙমগনি। মদু নত্তবনিনা পুকচেল শেংনা থবক তৌজরিবা পুলিসশিং করিসু তৌবা ঙমদনা লৈরি। এদ্দিক্ত অমদি দ্রগনা শেন্বীবা ওক্তবা-ওক্তবী মশীং লেপ্তুনা হেনগৎলক্লি, দ্রগ লল্লোনবা মশীংসু অদুমঙাই, অরোনবা দ্রগ লল্লোনবদা য়াওরিবা মিনিষ্টর, এম এল এ, ব্যুরোক্রেটশিং মশক মমিং য়াওবা হ্বাইট পেপর পুথোকপা ঙমদ্রি, রিহেব সেন্টরশিংদা মনীং তম্না দ্রগ লান্না শীজিন্নরি হায়রি।

চেরোলসিনা হায়, চীংদা পামলৌ উবগী মহুত্তা পোপি থাবা খূৎপু-খূৎপু, লৈঙাক্কী খূৎপু য়াওনা মায় পাক্লা চাক্তাফম ওন্থোক্লি, লৈঙাক্লা য়ানবা অমগী মখাদা লৈরবা চীংগী খূৎলায় পায়বা লূপশিং য়েক্লবা ফিরিঙ্গি লান্মীশিংগা অনকপা মরী লৈনরি অমদি পোপি থারিবশিংগা তোরোৎ খোইদানরি। মসিনা শন্দোরকপা লাইবক থীবদি পোপি থাবদা খূৎলোয়রবা কাঙলূপ, য়োনবদা পামজরবা কাঙলূপ অমসুং চাবদা হালেংদ্রবা কাঙলূপ, চাবা-য়োনবা, থাবা ঐখোয়গী ওইরে অদুগা হৌজিক্তি খুল্লগা চাবগুম কুন্থরক্লে। ইনাৎকুম ওন্থোক্লে, ফজরবা মণিপুরনি ঙসিদি দ্রগকী ফম্বাক অসিদা ঐখোয়। মণিপুর অৱাংবা চীংলোন কয়া লৈবা উমং ৱামংতনা পীক থনবা লম্বী থোং লৈতবা, চঙবা ঙমদবা মফম মরাং কায়না লৈ, পাক চাওরবা মফমশিং অসিদা পোপি থাদুনা মহৈ লোক্লি। দ্রগ শুংফমসু য়ুনিট মশীং খঙদনা লৈরে, মখোয়শিং অসি নোংমদা ওইরকখিবা নত্তে। পুম্নমক অসি লৈঙাক্লা খঙলবসু চঙবদি ঙমদে। পোপি অমদি দ্রগশিং অসিগী অশেংবা মপু থারিবশিং অসি নত্তে। মখোয়সিদি অৱামল নৎত্রগা খূৎশুমল ফংজবনি, পাৱর লৈরবা মীওইশিংনা অশেংবা মপুনি হায়রি।

দ্রগ লল্লোনবা, গাড়ী, শুংবা, থাবা অমদি সিক্যুরিটি পুম্নমক কিং পিন অদুগীনি, খূৎনেক্তা শীজিন্নবনি, চহী খুদিংগী মখোয়গী মশীং ঈশিং ঈচাওগুম হেনগৎলি, কিং পিন মশীংসু মতৌ ঈমান মান্নদনা হেনগৎলি। কুমজা ২০১৭দা নুপী ৭৯ য়াওনা দ্রগ লল্লোনবা ৩৫৫ ওইরম্বদু ২০১৯দা নুপী ৯৫ য়াওনা ৪৭৯ ওইরকখি। ঙসিদি মসিদগী শরুক অনী হেনখ্রে। পোপি পাম্বী থাবগী মতাং মতমদসু উমং ৱামং কয়া কোকথোক্তুনা মহৌশাগী খলদা চাউনা চৈথেং পীরি। ঈশিং ঈচাও থোকহল্লি। লৈহাও মাঙহনবতা নত্তনা শা, উচেক কয়া মূখৎতুনা য়েলহৌ ফম্বাক শক্তম ওলহন্দুনা ফত্তবা লম্বীদা শেল তাল্লিবনি। জিনোসাইদ ক্রাইমদগী হেন্না শাথীবা মণিপুরগী য়েলহৌমী পূমতুম তুম্না মূৎখিনবা ইন্দিয়া লৈঙাক্কী অরোনবা লানলোংনি। মণিপুর লৈঙাক্লা য়ানীংদবা লান অসি লোন্না পাংবনি, মপান্দনা ৱার ওন দ্রগস থোনজিল্লগা য়েলহৌমী মূৎখিনবা নাকোয়ননা লান পাংবনি। দ্রগ লোয়শঙ করিগী লিংদ্রি, শিবগী চৈরাক করিগী থমদ্রি, কিং পিন ফারগা শিবগী চৈরাক চৎনদে, শক মায় য়েংনরি, ফারবা পোৎ অদু মাঙহনবগী মহুত্ত ফার্মাসি, ইন্দষ্ট্রি তৌবশিংদা য়োন্থোক্তে, য়াদবশিং মাঙহনবা দ্রগ জোব হোল্ডরশিং শিনফমগা চুনবা শিনদ্রি, ফাইন চাওনা লৌদুনা মখা তানা তৌদনবা থবক য়াওদে-তৌদে। মসিনা দ্রগ থিংবদা অচৌবা পলনি হায়রি।

চেরোল অসিনা মখা তারদুনা হায়, ম্যান্মারগী ৯,৫০,০০০ স্কৱার কিলোমিটর চাওবা গোল্ডন ট্রাইএঙ্গল অসি মণিপুরদগী ইরাপ লাপ্তুনা লৈবা মরম্না দ্রগ পুথোক পুশিন তৌবা য়াবা অরোনবা লম্বী য়াম্না লৈ। অদুগীসু মথক্তা ম্যান্মার-মণিপুর বোর্দর অসি কিলোমিটর ৪০০দগী তাদনা শাংই, পুথোক পুশিন তৌবদা অদুক্কী মতিক কোম্নরি। গোল্ডন ট্রাইএঙ্গলগা শম্নরুবা অফবা মরী লৈনবা মীওই মশীং য়াম্লকপদগী অনীশুবা গোল্ডন ট্রাইএঙ্গল মণিপুরসু শেমখিবনি হায়বদা লান্দে। মসিগী খুদোংচাবা অসিনা মরম ওইরগা লমদম অসিদা দেল্লীগী লৈঙাকলোই নোংমা কাংদনা খোঙদারবা হায়বসি অচৌবা কৈথেল অমা লৈ হায়বনি। লমদম অসিবু ঙাক্লিবা খুরক হাংদনা লৈরিবা ফিরিঙ্গি লান্মীগী ফম্নাইবশিং কৈথেল অসিগী অচৌবা ফম কোল্লি অদুগা অরোনবা কৈথেল অসিদগী তারকপা মকুম্না খুন্নাই অসিদি খুমজিল্লক্লি হায়রি।

পুম্নমক অসি উরকপা, খঙলকপা মাঙদা-তুংদা লৈবা মরম্না এন আর এফ এমনা কৃপ্পা খন্নরগা ৱার্নিং তৌরবসু তৌদ্রবসু দ্রগ শুংবা, য়োনবা, লৈবা, পুশিল্লকপা অসিনচিংবা তৌরিবা অমদি চেন্নরিবা কিং পিনশিং খূৎ থাবা, শিবগী চৈরাক পীবগী ফিরেপ অসি লৌখিবনি। মণিপুরদা দ্রগ কাপ্পা, চাবা অমসুং য়োনবা লাখ অমগী মথক্তা লৈরে। অপীকপদগী হৌরগা অচৌবা ফাওবা চেন্নবা মশীং খঙদোক্লে। এম এল এ, মিনিষ্টর য়াওবা থেংনরে। কমপ্রোমাইজ তৌরোই, দ্রগতদি শেলনা ৱাখেবা য়ারোই, ইনখৎলক্লিবা-ইনখৎলক্লিবী পাখং লৈশাবী, মৌনহা কয়া লোন্না দ্রগ লৈহনবদগী হৌরগা তম্বীদুনা দ্রগ চাহনবা হৌহল্লি, মমৈদা এদ্দিক্ট ওইরকখি। সিরিঞ্জ অমদি কোন্দোম শীজিন্নদবদগী থুনা য়াঙনা ঐচ আই ভিনচিংবা লায়না শন্দোরকই। পুম্নমক অসি কিং পিন ওইবদুগী অচৌবা খ্বাইদগী মরু ওইবা খূৎ য়াওই। অমরোমদা কিং পিন অদুদি শেন্দোং য়াম্না চাওনা লাকপা মরম্না ফজবা য়ূম শাবা, খ্বাইদগী তাঙবা কার তোংবা, নুপীগী সনা লেপশিনবা অমদি অরোনবা সেক্স্যুএল ইনজোইমেন্ট চথবা, নুপী কয়া মরমচৎ মাঙহনবা অসিনচিংবগা ইরোয়ননা ইলেক্সন লেপ্পা হৌরকই। ভোটর অমদা লিশীং ৫দগী ১০ ফাওবা পীদুনা লৈরগা ভোট কারকই। পুম্নমক অসি কূপ্পা নৈনরবা মতুং লূপ অসিনা শিবগী চৈরাক অসিগী ৱারেপ লৌখিবনি। মসিগী তেকচাক মশা মশানা অমদি মণিপুর লৈঙাক্লা পুগদবনি। খূৎ থাবা অসিদা লূপ্পু লান্না লৌবীগনু, ইমুং মনুং অমসুং লৈকায় খুলনা নুংঙাইতবা তৌবীগনু, ৱাকৎ মীফম ফমদুনা খুন্নাইবু লান্না লমজিংবীগনু, মদুগী মহুত্তা লূপ্তা থাজবা থন্বীয়ু। চঙশিল্লিবা দ্রগকী লান অসিদা য়াওশিনবীদুনা লৈঙাক্লা তৌবা ঙমদবা অদু ঐখোয় ঐখোয়না তৌবা ঙম্নবা য়াওল্লোইশিংদা মতেং পীনবীয়ু হায়রি।

# লৈঙাক্লা পেকেজিংগী ইনফ্রাষ্ট্রকচর মতিক চানা ...

*লামায় ১গী মখা...* হোদাম লৈরক্তা লৈবা পাউনম তেজমনি অমদি পাউনম মোমোন অনীগী মচানুপানি। মহাক মধ্য প্রদেশকী গ্বালিয়রদা লৈবা জিৱাজি য়ূনিভর্সিটিদগী বাইওটেক লোইশিল্লবা মতুংদা মহারাষ্ট্রগী পুনেদা অমুক এম বি এ লোইশিল্লকখি। মদুগী মতুংদা দাইটিসিয়ন ফুদ এন্দ ন্যুট্রিসনগী কোর্স মপুং ফানা লোইশিনখি। চহী খরা অমসু মুম্বাইদা লৈদুনা থবক তৌরমখি। ওন্ত্রাপ্রেনর অমা ওইদুনা লমদম অসিগী করিগুম্বা থবক তৌনিংবগী ৱাখল্লোলদি অদুমক লোয়নদুনা লাকখি। ইরমদমগী ওইবা করিগুম্বা খরা তৌগে চপচানা খন্দুনা কুমজা ২০১১দা মণিপুরদা থোকলকখি। মণিপুরদা থোক্লক্তুনা করি তৌবা য়াবগে হায়বসি লেপ্পা লৈতনা থীদুনা লাকখি। মালেম অসিদা অচৌ-অচৌবা পেন্দমিক কয়া হায়বদি লাইচৎ কয়া লাকখি। হন্দক লাকখিবা কোভিদ-১৯সু অচৌবা চৈথেং পীবা পেন্দমিক অমনি। অদুবু মশক উদবা সাইলেন্ট দেথ অমা ওইরিবা খ্বাইদগী শাথিরিবা পেন্দমিক অসি দাইবিটিসনা ওইরে হায়নসু দল্লিয়ু ঐচ ওনা লাওথোকপা লৈখ্রে। অসিগুম্বা সাইলেন্ট দেথ অমা ওইরিবা পেন্দমিক অসি মতৌ করম্না থোক্লকপনো অমদি মসিদগী মতৌ করম্না কনবা য়াবগে হায়না দাইবিটিস ৱারিয়র অমা ওইনা থবক তৌবা হৌরকখি। ঙসি-ঙসিমক মীওই চা কয়া দাইবিটিসনা নারিবা অসি লাইফস্টাইলদা চাওনা অহোংবা লাকপা অমদি ঐখোয় মীওইবনা চা-থক্লিবা অমদি তুম্বা হেক হৌগৎলকপদগী শীজিন্নরিবা পোৎশকশিংদা কেমিকেলগী চাং য়াম্না ৱাংখৎলকপা অসিনসু অচৌবা মরম অমা ওইরি।

ঐখোয়গী মণিপুরদসু দাইবিটিসনা নাবা মীওইগী চাং অসি কুমজা ২০২১গী দেটা অমগী মতুংইন্না চাদা ৫ ওইরি। খুদম ওইনা হায়রবদা তুম্বা হেক হৌগৎলকপগা মীওইবনা টুথ পেষ্ট শীজিন্নৈ। ইরুজবদা শীজিন্নরিবা সাবুন অমদি টুথ পেষ্টনচিংবা পোৎলমশিংদা কেমিকেল য়াওরিবা অসি কেমিকেল য়াওদবা টুথ পেষ্ট অমদি সাবোননচিংবা পোথোকশিং পুথোক্লবা রিছার্স কয়া তৌদুনা পান্থা কৌবা ব্রান্দ অমা শেমদুনা ইরমদমদা ফংবা মেদিকেল প্লান্টশিং শীজিন্নদুনা টুথ পেষ্ট অমদি সাবুননচিংবা শেম্বা হৌরকখি। মণিপুরীশিংগী মীশিং হন্থরক্লিবা অসিসু কেমিকেল য়াওবা পোৎশক কয়া নুমীৎ খুদিংগী শীজিন্নরকপা অসিনসু অচৌবা মরম অমা ওইরম্বা য়াই হায়না খল্লি। টুথ পেষ্ট অমদি সাবুন পুথোক্লবা মতুংদা পান্থা ব্রান্দগী ওইনা লমদম অসিদা ফংবা মেদিকেল প্লান্টশিংগী ওইবা প্রদক্ট মখল মঙা পান্থা টুথ পেষ্ট, পান্থা সাবুন, পান্থা ফোমিং ফেস ৱাস, পান্থা বি এস ক্যের সিরপ অমদি পান্থা পেন ফ্রি লাইফ সিরপনচিংবা পুথোকপা ঙম্লে। হায়রিবা প্রদক্টশিং অসি কেমিকেলগী ওইবা পোৎশক অমত্তা য়াওদে। হেন্না চাওথোকচনিংঙাই ওইরিবদি প্রদক্টশিং অসি ইরমদমদা ফংবা পোৎশকশিংনা শেম্বনি। লোয়ননা প্রদক্টশিং অসি মিনিষ্ট্রি ওফ আয়ুষ গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়ানা সর্টিফাইদ অমদি এপ্রুভ তৌরবা প্রদক্টশিংনি। মসিদা পেরুক, উরিকশিবি, নোংমখানচিংবা তোঙান-তোঙানবা লমদম অসিদা ফংবা পোৎলম কয়া য়াওরি। মেদিকেলগী ওইবা প্রদক্টশিংসু পান্থানা পুথোকপা হৌরে। সম্পুসু পুথোকপা হৌখ্রে, মীয়াম্নসু য়াম্না দিমান্দ লৈ। অদুবু মচাক খরা ফংদবনা হৌজিক মরাং কায়না পুথোকপা ঙমদ্রি। মরুওইনা দাইবিটিসদগী ঙাকথোক্লবা অমদি লায়না অসিদগী কনবা ঙম্নবা পান্থা বি এস ক্যের সিরপ হায়বা হীদাক অমসু পুথোক্লে। পান্থাগী প্রদক্টশিং অসি মপানগী মার্কেটতা পুথোক্লবসু য়াম্না কন্না হোৎনরি। ঐখোয়না মপান্দগী পুশিল্লক্লিবা কোল্ড ড্রিঙ্কশিং অমদি জ্যুসশিং অসিদা প্রিজার্বেটিভ শরুক্কী চাং কা হেন্না য়াওবা মরম্না হকচাংগী পার্ট কয়াদা য়াম্না শোকনিংঙাই ওই। মরম অদুনা য়ারিবমখৈ দেদ ফুদ শীজিন্নবগী মহুৎতা লাইভ ফুদ ওইবা য়ূমদা শেমজবা গ্রিন জ্যুস থকপা অমদি চাবনা ওইনা হকচাংদা কান্নবা কয়া শোয়দনা ফংগনি।

পান্থাগী থবকশিং অসি হৌরকপদগী হৌনা মীওই খুদিংমক মশা-মউ ফনা লৈদুনা নুংঙাইবা পুন্সিং মহিং অমা ওইবা ঙম্নবা হোৎনরকপনি। মখা তানা পায়খৎলক্কদবা থবকশিং অসিদসু হকশেল অমদি হকচাংদা কান্নবা পীবা কেমিকেল য়াওদবা প্রদক্ট কয়া পুথোক্লবা য়াম্না কন্না হোৎনরি। লোয়ননা দাইবিটিসতগী মীপুম খুদিংমকপু কনবা ঙম্নবা হোৎনগনি হায়নসু মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।